# লাইদা কৎপদা নীংবদা তঙাইফদনা তৌগদবশিং

**ৱাখল ইহুল**

সোরাম ইবোহল লুৱাং

লাইনীং-লাইশোন তৌবা মীওইবা খুদিংমক্না মানা মানা থাজনা নীংজরিবা লাই হায়বশিংদুদা ঙমজবা খরা কৎফম থোকই/কৎপা য়াই হায়বা পোৎশকশিং কৎনরি। মদুদা অমনা কৎপা তৌবা মওংদু চুমই লাল্লি হায়ফম থোক্তে। অদুবু মান্নবা লাইনীং লাইশোন মনুংগী ওইরবদি চুম্বা লানবা হায়বা অমদি শোয়দনা লৈফম থোকই। অদুম্নমক ওইদুনসু থৌরম পাংগদবশিংগী ওইনসু খরা খরা খেন্নবা লমজিং লমতাকপীবা লমচিং পুরেলদুগী মখা খরা পোন্না মান্নফাৎতবা খরা অদুক য়াওবা য়াই। মদুমক্না পাংলিবা থৌরমদু পুংলাল লাল্লে হায়বদি য়ারোই। হৈকৎ-লৈকৎ তম্লকপদা ওন্নবদি য়াদে হায়বদি লৈ। হৈকৎ-লৈকৎ তম্বদা থৌরম খরা চাউবা ওইরবদি অখঙ অহৈ খরসু শোয়দনা চঙগনি। মখোয়শিংগী মথৌশিংসু তোঙানগনি। অদুবু মদুনা অপূনবা মপূং ফাবা থৌরম অমা হায়বদু ওইগদবনা অমগা অমগা মতাং মতম চানা হান্না নৎত্রগা লাইনীং লাইশোনদুগী ওইনা চৎনবী অমা ওইনা খঙবা অমদি চঙই নৎত্রবদি থৌরমদু মপূং ফাদে অমদি তোঙান তোঙানবা মথৌ ওইরবসু অপূনবগী শকওং/শক্তম অমা শাগৎপদা শোয়ফদবা থৌদাং লৌনরিবনিনা নুমিৎতুগী ওইনসু থৌরমদু খরদি নুংঙাইফাৎতনা পাঙথোকখিবা হায়বসু ওইগনি।

থৌরম থৌরমগী মখা পোন্না মদুসু পিকপা চাউবগী মতুং ইন্না লাইগা মরী লৈনবা থবকশিং পাঙথোক্লবগীদমক তঙাইফদনা শিনফম অমমমদা খঙ হৈরবা মীওই অমা য়ামদ্রবদা নৎত্রগা খূৎপু খরদি মথৌ তাই। মখোয়শিংদুদি থৌরম পাংগদবা অমাইবা/পিবা, অশৈবা অমদি য়োইরেন মখোয়শিংসি লাইগী থৌগল পরিং কায়দনা তৌবদা চঙবা মীওইশিংনি।

য়োইরেন হায়রিবসি থৌরমদুবু শোয়দা ঙামদনা থৌরম পিবা অমদি অশৈবা অনীগী মতাং মতাংগী মতুং ইন্না মতেং পাংলিবশিংনি। মখোয়না মতম চঙনা শেম-শাবগী থৌদাং লৌই। ইনাৎ লাইনীংলোইশিংনা য়োইরেন হায়রিবসি লমদমসিদা মীরম লাইনীংগী ওইনদি অরাংফম হায়নরিবসিনি। মখোয়গী মপূং ওইবা মথৌদি লাইগী মথৌ তাবা লৈতেংগী পোৎলমশিং শেম্বা, ফিজেৎ, লাথা, হৈথা, লাথুপ, শাথেক, লৈহুন, লাইদা থোন্নবা পোৎলমনচিংবা শেম শাবা, মদুগী মরমশিং শিনবা লাংবনি।

অমাইবা/পিবানা থৌরমদুগা মরী লৈনবা লাইমিং, তীলমিং শোনবনি। তশেংনা হায়বা তারবদি লাইগা মরী লৈনবা থবকমখৈ পাঙথোক্লবগী থৌদাং লৌবনা পাংগদৌরিবা থৌরমদুগী মরমদা মমুৎ তানা খঙদবা য়াদে। থৌরম থোকইবা মপুশিংদুদি খঙদবনা অয়াম্বনি। মখোয়শিংদুবু লমতাকপীগদবসি অহনাবদা য়োইরেননি। য়োইরেন্না অমুক থৌরম পিবা/অমাইবদুগী করি কমদৌবা হায়বদু খঙলগা ইনবা তাবনি। অদুনা পিবানা মরম চুন্না লাইগী থৌরমদু পাঙথোকপীরবদি নোংমদুগী লাইগী থৌগল/থৌরমদু লোইশিনবা য়াই। অদুবু লাইদা করিগুম্বা অমা কৎপা মতমদা লাইদুগা মরী লৈনবা লৈশি-লৈথোন খরা খূৎফাং/তরেৎ শেমফাং খিংলগা তাওরোইপুং য়ৈবা য়াওবসু মতাং ওইরকপা য়াওরকই।

অশৈবশিংগী মপূং ওইবা মথৌদি লাইগী মতিক ময়াই, থৌরমদুগা মরী লৈনবা পুয়াগী ৱারীশিং/লিখুনশিং ঈশৈগী মওংদা অতাবশিংদা খঙহনবগা লোয়ননা লাইনীংসিগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোকশিং খঙহল্লগা পূক্নিং চিংশিনবসিনি। ঙসিগী থৌ চিন্নবা খুন্নাইসিদা মতম চানা লাকপীবা অহল-লমনশিং অমদি মরম খরদগী মতম চানা লাকপা ঙমদবশিংগীদমক্তসু খল্লগা থৌরমদুবু হেন্না মী তিনবা অমা ওইহন্নবগী অখন্নবা থৌরাং অমসুনি। হায়রিবা মরম খরসি মপূং ওইনা য়ূম্লুগী অনীংবা অপাম্বদা য়োইরেন্না তেংবাংশিল্লগা অশৈবশিংগী তঙাইফদবা শৈথারোলশিং শক শোল্লগা লাইগী থৌরমদু মপূং ফানা পাঙথোক্লগা নোংমদুগী থৌরম লোইশিনবা য়াই।

মতাং অসিদা শল্লপ্না পনবা য়াবা খুন্নাইদা ফজদবা মমি তাহনবা অমদি অশৈবশিং য়াওবা থৌরম অয়াম্বদা মীচং মীথোক ফবা, শাগৈ-নাতৈ ঙাই-শেন, মরুপ-মপাং চাউবা য়াম্বশিংগী ইমুং অয়াম্বদা থোকপা থৌরমশিংদা শেল থাবগী পরেং শাংনা লেপ্তুনা ঙাইনবনা অশৈবশিংদা ইনোৎ পীদবদি নত্তে। মসিনা শেন্দান লম্বীদা চৎথখিনবা অচৌবা মরম অমা ওইরকপদগী অশৈবশিংগী মফমদদি ঙহাক্কী শুমাং কুম্মৈগুম্না লৌরক্তবসু য়াদবগী থৌওং উরকই। মরমদি কনাগুম্বগী ইমুংদা অসিগুম্বাসি ফীভমসি থোক্তবা মতমদদি লাইগী মিঙ্খৈ অমদি শৈথাবদু পূক্নিং কয়া চঙদবা উই হায়বসি অদুম ইরায় লায়না খঙনবা পোৎনি। তশেংনা অমুক হায়বা তারবদি য়ূম্লুগা চেবাউ ফংবিদুনা লেঙবিরক্লিবশিংগগী মরক্তা পার্টি ফাওনবা হোন্দোক্লবা ৱাৎপদগী ওইবসু য়াই। খুদম ওইনা, য়ূম্লুনা 'পোৎয়েং লৌজরোই' হায়না থেৎলবনিনা অরাকপা খুদিংমক অশৈবশিং উন্নবা পরেং শাংনা লেপ্পা হায়বসি মশানা তারবনি। তৌগে হায়রগনা 'পোৎয়েংসু লৌজরোই, শেলসু থাবীগনু' হায়রবদি অহোংবা খরদি লাক্কনি । অদুবু অসিগুম্বা ইমুংদি পংয়াম য়ামদে। অমবু ওইরবু অমবু ওইরবসু খ্বাইদগী ফগদবদি য়াম্বা য়ামদবা মতেং পাংনবনি হায়না খন্নরিবা 'পোৎয়েং' লৌরগা মতাং মতাংগী মতুং ইন্না য়ূম্লু খক্তনা চঙলগা অতেনবা মতমগী মনুংদা নোংমদুগী থৌরমদু পূন্না লোইশিনমিন্নবা হোৎনমিন্নবসিনা ওইগদ্রা খঞ্জে।

লাইদা করম্না কৎকদগে হায়বগী মতাংদা 'লাইনিং পরৈ' হায়বসিদা - হয়ি লাই মরূ শিদবা তাইবঙ থৱায় ওইরিবা 'ঐ' কৌবা লাইগী ঙাংলৌ (খূয়া) খাদা মেক্রুক, থাউমৈ কৎচদুনা, চরৈ ঙক্তা য়েৎ, ফৌদু (নুঙ) থক্তা ফমদুনা মীৎস্না অনী উই, পিরাং লাইজা কৎতুনা খোইয়ূমবু পুনেমজ গনি' হায়বসিনি । অমুকসু 'মপু' মানা তারা চাক চাদবা, শীংঙেল লৈরাং চিন্দবা, তাউজিং চাদবগী মতাংদনা - নোংদি 'হয়ি অসিগী মথক তঙ্খায়না 'হয়া' পুথোক্লে। হয়াদা হয়িনা ৱাহোল্লে, 'হে শানৌ ও! নঙনা মালেম ওইদুনা নমিংবু মালেম লৈরোল হনবী, তম্ফা হৈরোই চমূ কৌসে। নঙগী খোমলাংনা খোইয়ূমগা, তাইবঙগা খোল্লাং ইল্লো' অসি হায়না থৌ তিকপীরে। অদু নোংদগী মালেম লৈমনা মহৈ-মরোং হৌহন্দুনা খোইয়ূম লাই, নমু তাইবঙ য়োকখিয়ে। মরম অসিনা মপুনা মালেমথক্তা হৌরিবা পোৎশিং কৎপা লৌদবনে। খোইয়ুম মহাকপু নীংবদি চীংঙু মানা পেনবিবদি 'নুংশি পিরাং লাইজ' কৎপনা মপেল্লে। ঙসিগী নাপলনা ময়াই কাবা খুন্নাইসিদা ইমুং কয়াদা অসিগুম্বা অশেঙবা থৌওংসি য়াওবগে। মশা মশাগী ইমুংশিংদা লাইগীদা হৈরাং-লৈরাং, অনৌ অপেৎ কৎপা, খুরুম খাজংবা মতমদা করম্না তৌগদগে হায়বসি খঙনদবনা অয়াম্বনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। খঙলোইদবগী মরুওইবা মরম অনীদি লৈশারিঙৈদা মহৈ মশীন তম্নবা হোৎনবদা, খুন্নাইগী চৎনবী ঈথক-ঈরাংদা তাওরিঙৈদা মবোক/মমা ওইবশিংগী মফমদগী তম্লক্কদবশিং তম্লকখিদবা; অনীশুবদনা শিনফম অমদা চঙলবা অদুগা ময়ূম মকৈ পাল্লবা মতুংদনা অমুক মচাশিং শেম্নবা হোৎনদুনা থিন্দোক থিজিন তৌবা, য়েংশিনবা হোৎনবদা অচৌবা পোৎলুম অমগুম ওইনা লৌনরকপসিনি।

ঈনাৎ লাইনীংগী ওইনদি তঙাইফদনা খঙজিনগদবা হৈকৎ লৈকৎ অমদি অনৌ অপেৎ শেম শাদুনা কৎপদা তৌগদবা খরগী মরমদা পূন্না খঙমিন্ননবা শল্লপ্না থমজগে-

১) তাইবঙপানবগী মপু চীংঙু য়াইবীরেন সিদবা/সিদবী অনীদা মীওইবা ঐখোয়না ইপোৎ নত্তনা ইপোৎ শারগা হৈ অমতং, লৈ অমতং, পোৎ অমতং কৎপদি হৈপাল, লৈপালদা পানবা-শাৎপা, হৌবগী মওংদা হাপফম অমদা হাপ্লগা থেন্দুনা কৎকনি। মসিদি মালেম ইমানা কোরৌ ইপাদা কৎপনি হায়না লৌগনি। খুদম ওইনা লুকমাইদা/কম্বীদা, শেঙ্গা/ হোরাইনচিংবদা হাপ্লগা কৎপসিদনা মালেম ইমাগী মশক্নি। মদুদা হাপ্লগা কৎলিবশিংদু মখোক্না হায়বদি পানফম্না লাইদা ওনশিনগনি।

মালেম ইমানা কৎপা অদুগী ৱাখল্লোন্দা ইমুংগী নুপীশিংনা অথেনপোৎনচিংবা শেমদুনা কৎপগী চৎনবী লৈরিবসিনি।

২) লা ওইরগনা লোংনা থাদুনা শেল্লগা মপুদা লাগী লাখোক্না ওনশিল্লগা লাইগী মমাঙদা থেল্লগা খরা লাপ্তুক কৎকনি। মদুগী মথক্তা হৈ, লৈনচিংবসু মফম চানা হাপ্তুনা কৎচগনি।

৩) লাইনিংথৌদা কৎপা মতমদদি হৈথা, লৈথা উপ্না কৎকনি। লাইরেম্বীদনা লোংনা হৈথা লৈথা শেমদুনা কৎকনি।

অথেনপোৎ শেম্বা মতমদা - লফোই লফাং চং থোকপা হাপ্পদা লোংনা হাপকনি। উপশিন্দুনা হাপ্লগা কৎলবদি অনম-অহা চুই।

৪) চু মকক/তাঙ্কক তঙ্খাই খায়দোক্তুনা হৈলুক শেল্লবদি চু তঙ্খায় অদু লোংনা হাপ্তুনা শেমগনি। অসুম্না তঙ্খায় খায়বা পোৎ খুদিংমক লোংনা লোংনা হাপ্তুনা শেমগনি। অয়াম্বা মতমদা হৈপুম লৈপুম ওইনা কৎকনি।

৫) য়ূমগীদা নত্তনা মপানগীদসু ফম্বাল য়াওবা মফমদা - ফম্বালগী মায়ওনগী মতুং ইন্না - লাইগী য়েৎলোমদা কৎলিবা মীদুগীনা ওই থংবলোমদা হৈ, মৈরা কৎকনি।

লাইগীনা ওইরোম (কৎলিবা মীদুগীনা য়েৎথংবা) দা ক্বা, মেক্রুক/মনম কৎকনি।

৬) ঐখোয়না খোইয়ুম লাইবু ঈরাৎ থৌনি, লাইনীং চঙবা মতমদা লাইগীনা ওই অদুগা ঐখোয় ইশাগীনা য়েৎলোমদগী থৌগল চঙগনি।

লাইগী ওইদি ইমালেন সিদবীনি - ইমালেন শিদবীনা তাইবঙ ঐখোয়বু লমজিং হিনাও শানবিদুনা তাইবঙ মপূবু তাকপীবনিনা, ইমালেন্না তাওবদি মপুগী অহকপা মতিক ময়াইবু ঐখোয়না খঙবা ঙমদে।

মরম অসি লৈবদগী ঐখোয়গী থৌরম খুদিংদা লাইগী মায়োনগী মতুং ইন্না ওইরোমদা চঙনরিবসিনি। ইমালেন্দা হান্না চঙজরগা, ইমালেন্না তাল্লগতা তাইবঙ মপুগী মশক ঐখোয়না খঙগনি।

শম্না, করিগুম্বা মরম অমদগী মচা ওইবনা মপা মশক খঙলমদবদু খঙনীংবদগী/খঙনবা হোৎনবদা - মপা অশেংবা মশক খঙগে হায়রবদি মমাদুনা হেক তাকত্রিবমখৈ খঙবা ঙল্লোই হায়নরিবসিগী লুরবা ৱারোলসি লৈবননি।

৭) মথক্তসু পঞ্জখ্রে মদুদি কৎপদা হৈপুম লৈপুম কৎকনি। মচেৎ তাহল্লগা কৎপা ইনাৎকীদদি তৌনদে, অতৈগীদা তৌনদবসু। উমংলাই, অপোকপা খুরুম্বা, হৈজিং খরাই পুবা, খয়োম লাকপা মতমদা হৈপুম লৈপুম কৎপা চৎনৈ। অদুবু মফম মতমগী মতুং ইন্না খায়দোক শেংদোক্লগা কৎপদি শরোয় খাঙনবা অমদি মীয়াম য়েনবা থুংনবা মরমগীদি তৌনৈ/চৎনৈ।

# কৈশামথোং এ সীগী তোঙান তোঙানবা লৈকায়শিংদা ওইরিবা লম্বীগী ফীভম


লোংজম লৈরক


হাওবম মরক কাংজম লৈকায়


পিশুম নোংথোম্বম লৈরক


থৌদা ভাবোক লৈকায়


কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায়


কৈশাম্পাৎ থিয়াম লৈকায়


থৌদা ভাবোক লৈকায়, হুইয়েন লানপাউ মমাঙ


খ্বাইরাকপম লৈকায়


হাওবম মরক ঙাঙোম লৈকায়


হোদাম লৈরক

**মরোল থোকপা লাই**

